**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 03-08-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাড--

১ ) রাজ্য সরকারনা মণিপুর পুলিস বিভাগকী সবদিভিজনেল পুলিস ওফিসার (এস.দি.পি.ও)গী পোষ্ট ১২ শেম্নবদা অয়াবা পীখ্রে।

২) মীওইবনা শিরবা মতুং মহাক্কী হকচাংগী কয়াৎশিং কনাগুম্বা দরকার ওইবশিংনা শিজিন্নহৌনবা দান তৌবীয়ু হায়না মণিপুর সরকারগী হেলথ সার্ভিসেসকী দাইরেক্তর ডাঃ চম্বো গোনমৈনা আপীল তৌরি।

৩) ইদুকেসন (এস)কী সেক্রেটরি নাওরেম প্রবিন্না হায়রি- চিলদ্রেন ৱিট স্পেসিয়েল নিদসকী মশিং থিবগী থবক চথরিবা অসি মপুং ফাননবা মরী লৈনবশিংনা হোৎনবা তঙাইফদে।

৪) মণিপুর সরকারনা রাজ্য অসিগী কৈথেলশিংদা অমুক্তং শিজিন্নরগা হুন্দোকপা প্লাষ্টিক কিলোগ্রাম লিশিং ৪,৪৬৪ গ্রাম ৬৪ ফাগৎপা ঙমলে।

অমসুং

৫) ইন্দিয়ান মেট বিভাগনা লৈবাক শিনবা থুংবদা নোং কন্না চুগনি হায়রি। মণিপুরগী জিলা খরদসু হয়েং অখাক অরাউগা লোয়ননা নোং চুগনি হায়রি।

------

পুলিস (এল)ঃ রাজ্য সরকারনা মণিপুর পুলিস বিভাগকী সবদিভিজনেল পুলিস ওফিসার (এস.দি.পি.ও)গী পোষ্ট ১২ শেম্বদা অয়াবা পীখ্রে।

মণিপুর পুলিসকী দাইরেক্তর জেনেরেল ওফ পুলিসনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- মণিপুর পুলিস বিভাগনা প্রস্তাব তৌরকপগী মতুংইন্না মন্ত্রিপুখিদা লৈবা নিউ সেক্রেটরিয়েট পুলিস ষ্টেসন লিংনবা অমদি জিলা খরগী এস.দি.পি.ও পোষ্ট ১২ শেমবা হায়জরকপগী মতুংইন্না অয়াবা অসি পীখিবনি।

নৌনা এস.দি.পি.ও পোষ্ট লৈরগদবা পুলিস ষ্টেসনশিং অদুদি কাংপোকপী জিলাগী ওইনা সপরমৈনা, নিউ কৈথেলমানবী অমদি কাংপোকপী। তেংনৌপল জিলাগী ওইনা তেংনৌপল, কামজোং জিলাগী ওইনা কসোম খুল্লেন অমদি কামজোং, ফেরজোল জিলাগী ওইনা পারবুং, নোনে জিলাগী ওইনা নোনে, ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ওইনা নিউ কেপিটোল কমপ্লেক্স, চান্দেল জিলাগী ওইনা চকপিকারোং অমদি তমেংলোং জিলাগী ওইনা তামৈনি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়- সেক্রেতরিয়েট পুলিস ষ্টেসন অসিনা মন্ত্রিপুখ্রিগী অকোইবদা লৈরিবা মরুওইবা ইন্সটিট্যুটশিং, মণিপুর হাই কোর্ট, আই.আই.আই.টি অমদি ফোরেষ্ট ওফিস কমপ্লেক্সকী মফমশিংদা সেক্যুরিতিগী হেন্না খুদোংচাহল্লগনি।

নৌনা এস.দি.পি.ওগী পোষ্টশিং হাপচিল্লকপা অসিনা মফমশিং অসিগী আইন অমসুং শান্তি রক্সাগী ফিভমদা হেন্না ফহনবগা লোয়ননা মীয়ামগা নকশিন্ননা থবক তৌবদা হেন্না খুদোংচাহল্লগনি।

ওর্গান (এল)ঃ মণিপুর সরকারগী হেলথ সার্ভিসেসকী দাইরেক্তর ডাঃ চম্বো গোনমৈনা হায়রি- মীওইবনা শিরবা মতুং মহাক্কী হকচাংগী কয়াৎশিং কনাগুম্বা মথৌ তাবশিংনা শিজিন্নহৌনবা দান তৌবীরম্মু।

১৫ শুবা ইন্দিয়ান ওর্গান দোনেসন ডেগী থৌরম ঙসি মণিপুর সরকারগী দিরেক্তোরেট ওফ হেলথ সার্ভিসেসকী ষ্টেট ওর্গান এন্দ টিসু ট্রান্সপ্লান্ট

ওর্গনাইজেসন্না শিন্দুনা ইম্ফালদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা ডাঃ চম্বো গোনমৈনা হায়- মীওইবগী হকচাংগী কয়াৎ ৭ মুক্তি ট্রান্সপ্লান্ট তৌবা য়াই। ট্রান্সপ্লান্ট তৌবা য়াবশিংগী মনুংদা- কিদনি, পেনক্রিজ, লিভর, ইনটেষ্টাইন, মিৎনচিংবা য়াওরি। হায়রিবা কয়াৎশিং অসি কনাগুম্বা মীওই অমনা শিদ্রিঙৈদা দান তৌবীরম্লবদি মীওই অদুনা লৈত্রবা মতুং কয়াৎশিং অদু মথৌ তাবা কনাগুম্বা অমগী থৱায় কনগদৌরিবনি। দাইরেক্তর মশামকসু মিৎ দান তৌখ্রে।

অংদান জিবন শঞ্জিবানি অভিয়ান কেম্পেনগী মখাদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা হেলথ সার্ভিসেসকী এদ্দিসনেল দাইরেক্তর ডাঃ এন. বিনো সিংহ, দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি মেটরনেল হেলথকী কন্সলটেন্ট বাইটেল ষ্টেটিষ্টিক্স ডাঃ মিনা শেরাম, জেনিমসকী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট ডাঃ খুমুকচম লোকেন্দ্রো অমদি ষ্টেট নোদেল ওফিসার ডাঃ বিক্রম খোইস্নাম শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা হকচাং কয়াৎশিং দান তৌরবা মীওইশিং অমদি মসিবু লৌরিবা মীওইশিংদসু ইকায় খুমবা উৎখি।

পালন থৌরম অসি ঙসি জেনিমস অমদি মোহন ফাউন্দেসন অনিনা পুন্না শিন্দুনা পাঙথোকখি। থৌরম অসিগা মরী লৈননা পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা সিতিজ কনভেন্সন সেন্তরদগী জেনিমস ফাওবা ৱাক্লথোন অমা চৎখি। ৱাক্লথোন অদুদা হেলথ সার্ভিসেসকী দাইরেক্তর ডাঃ চম্বো গোনমৈ,জেনিমসকী দাইরেক্তর প্রোফেসার উসারানি, জেনিমসকী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট ডাঃ লোকেশ্বরনচিংবা শরুক য়াখি।

কোভিদ (এল)ঃ মণিপুরদা ঙসি মীওই ৭ কোভিদ নাইন্তিনগীদমক টেষ্ট তৌবদা মীওই অমত্তা পোজিতিভ ওইবা থেংনখিদে। হৌজিক এক্তিভ কেস অনি লৈরি। রাজ্য অসিদা হৌজিক কোভিদ পোজিতিভ ওইবা অপুনবা মীশিং ৩৫৪ শুরে।

রাজ্য হকশেল বিভাগনা থোকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না ঙসি মীওই ৩ নাবা ফদুনা দিসচার্জ তৌখিবগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা নাবা ফবা অপুনবা মীশিং ৩৫২ শুরে।

ববিনা (এল)ঃ ববিনা গ্রুপ ওফ কম্পনিসকী কন্সটিট্যুন্ট য়ুনিত অমা ওইরিবা ববিনা হোস্পিতালগী অহানবা ফাউন্দেসন ডে থৌরম ঙসি ইম্ফালগী নোর্থ এ.ও.সিদা লৈবা হোটেল ইম্ফালদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা হেলথ সার্ভিসেসকী দাইরেক্তর ডাঃ চন্দ্রো গোনমৈনা হায়- মতম অমদা ববিনা ক্লিনিক হায়না য়ামা পীকপা দাইগোষ্টিক সেন্তর অমা ওইরম্বদগী ঙসিগী থাক অসি য়ৌবা ঙম্লকপা হায়বসি য়ামা তমজনিঙাইনি। মহাকা হায়- রাজ্য অসিদা হোস্পিতালশিং লিংখৎলকপা মতমদা মীয়ামদা মগুন লৈনা থবক তৌবগী ৱাখল্লোন থমশি। রাজ্য অসিগী হোস্পিতালশিং খুমাং চাওশিন্না চৎলি হায়রদুনা ডাঃ চন্দ্রোনা হায়- মণিপুরদা লৈরিবা হোস্পিতালশিং অসি মপান লমগী হোস্পিতালশিংদগী চাং তাবা নত্তে। ওর্গান দোনেসন অমদি ত্রান্সপ্লান্টেসনদসু রাজ্য অসিনা অনিরক শুবা ওইনা বেষ্ট নোর্থ ইষ্ট ষ্টেট ইন ওর্গান দোনেসন অমদি ত্রান্সপ্লান্টেসনগী মনা ফংলক্লে।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা ৱা ঙাংবদা ববিনা গ্রুপ কম্পনিসকী চেয়ারমেন ডাঃ থাংজম ধবলিনা হায়- ববিনা হোস্পিতালনা চহি অমা মপুং ফারকপা অসি হোস্পিতাল অসিদা লৈরিবা ষ্টাফ খুদিংমকা কৎথোকপা অমগা লোয়ননা থবক তৌবদগীনি।

মহাকা হায়- ববিনা গ্রুপ ওফ কম্পনিসনা দাইগোসিস খক্তদা মীৎয়েং থমদুনা লাকখিবনি। অদুবু কেন্সর পেসেন্টশিংনা রাজ্য অসিদা লায়েংফম লৈতবগী ৱারী তাখি। মরম অদুনা মণিপুরগী ওইনসু কেন্সর হোস্পিতাল লৈরবদি মীয়ামা মায়োকরিবা অৱাবা অসি খরদা ওইরবসু কোক্কনি হায়বগী ৱাখল্লোনদা এ.ও.আইগা খুৎশমদুনা হোস্পিতাল অসি লিংখৎখিবনি।

শিক্ষা (এল)ঃ  সমগ্রা শিক্ষা ষ্টেট ইমপ্লিমেন্টেসন সোসাইতি মণিপুরনা শিন্দুনা চীফ সেক্রেটরিশিংগী মঙাসুবা নেসনেল কনফরেন্সকী সব থিম অমা ওইনা স্কুল্লিং-বিল্ডিং ব্লোক হায়বসিগী মতাংদা রাজ্য থাক্কী ৱার্কসোপ অমা পাঙথোকখ্রে।

ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা সিতি কনভেন্সন সেন্তরদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা ইজ্‌কেসন (এস)কী সেক্রেতরি নাওরেম প্রবিন সিংহ, ইজ্‌কেসন (এস)গী দিরেক্তর এন.জি. ভোগেন্দ্রনচিংবা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা নাওরেম প্রবিননা হায়- অফবা ইদুকেসন সিষ্টেম অমা পুরকবগীদমক সরকারনা থৌশিল থৌরাংশিং শেমদুনা চংশিল্লিবা খোঙজং সরকারগী স্কুল খক্তা নত্তনা প্রাইভেট স্কুলশিংদসু মপুং ফানা চৎনহনবা তঙাইফদে। মহাকা হায়- মহৈরোইশিং অসি সরকারগী স্কুলদগী প্রাইভেট স্কুলদনা হেন্না তন্মী। মরম অদুনা প্রাইভেট স্কুলগী ওজাশিং অসি ওজা অমা ওইবদা চংদবা য়াদ্রবা ক্বালিফিকেসনশিং নিংথিনা শুনা য়াওব্রা হায়বদু য়েংশিনবা তঙাইফদে। মহাকা হায়- ওজা খুদিংমক মতম মতমগী ওইবা ত্রেনিংশিং চৎকদবনি। ত্রেনিংদগী ফংলকপা অনৌবা লৌশিং গ্যানশিং থবক্তা ওন্থোক্কুনা হেন্না ফবা খুন্নাই অমা শেম্বদা পুন্না থৌদাং লৌমিন্নশি। শ্রী প্রবিন্না হায়- রাজ্য অসিদা হৌজিক চিলদ্রেন ৱিট স্পেসিয়েল নিদসকী মশিং থিবগী থবক চত্থরিবা অসি মপুং ফাননবা মরী লৈনবশিংনা হোৎনবা তঙাইফদে। স্কুলদা ফম্লগা মশিং থিবনা অসিগুম্বা অঙাংশিং অসিগী চপ চাবা মশিং ফংবা ঙমলোই।

প্লাষ্টিক (এল)ঃ  ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন, মণিপুর পোলুসন কন্ট্রোল বোর্দ, দিপার্টমেন্ট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জ অমসুং মণিপুর পুলিসনা হৌজিক ফাওবদা অমুক্তং শিজিন্নরগা হুন্দোকপা প্লাষ্টিক কিলোগ্রাম লিশিং ৪,৪৬৪ গ্রাম ৬৪ ফাগৎপা ঙমলে। প্লাষ্টিকশিং অসি হৌখিবা এপ্রিলগী তাং ১৯ দগী বিভাগশিং অসিগী ওফিসিয়েলশিংনা রাজ্য অসিগী

তোঙান তোঙানবা কৈথেলশিংদা ফাগৎপা ঙমখিবনি। ফাগৎলবা প্লাষ্টিকশিং অসি অমুক হান্না রিসার্কল তৌনবগীদমক মেঘালয়দা থাখ্রে।

জিরিবাম (এল)ঃ মমাং চহিগী নবেম্বর ১১ দা জিরিবাম জিলাগী বোরোবেক্রা সবদিভিজনগী মনুং চন্না লৈবা লমলোং কৈথেলদা লৈবা মীতৈশিং কুকি মার খুৎলায় পায়বশিং লাক্কুনা মীওই ৮ হাৎতোক্লম্বগী থৌদোক্তা চেন্নরিবা মীওই পুমমক অথুবা মতমদা ফাদুনা চৈরাক পীগদবনি হায়না মীশি অসিগী মতাংদা শেমখিবা জে.এ.সিনা ফোংদোরক্লি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা ঙসি জিলা অসিগী বাবপারাদা লৈবা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুল রিলিফ কেম্পতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা জে.এ.সি অসিগী কনভেনর ৱাই. শঞ্জোয়না হায়- মীহাৎ অসিবু য়ানিংদবা ফোংদোক্কুনা মণিপুরদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা লুপ কয়ানা অমদি মীওই কয়ানা খোঙজং কয়া চংশিনখি। খোঙজং অদুদা মীশি মীনা ফাওবা য়াওনা চথখিবনি। অদুবু ঙসিদি থৌদোক অসিদা চেন্নবশিংগী মনুংদা মীওই অনি থেংলবসু থেংনা এন.আই.এনা ফাগৎলকপা হৌরে। মখা তানা থৌদোক অসিগী মতাংদা চপ চাবা লংলা লংজিল পুথোক্কুনা চেন্নরিবশিং অথুবদা ফাগৎতুনা মতিক চাবা দন্দি পীবীয়ু।

স্কুল (এল)ঃ ৱিমেন মল্টিপরপজ কোওপরেতিভ সোসাইতি লিমিতেদ ক্লষ্টর লেবেল ফেদরেসন শগোলমাংগী মখাদা মঙাল ভিলেজ লেবেল ফেদরেসন চীংঙারেল তেজপুর অমদি শওম্বুংদা শিন্দুনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাদা লৈবা সঙ্গ্রেস স্কুলদা বেক টু স্কুল কেম্পেন পাঙথোকখ্রে।

আর্থ ডে (এল)ঃ সেফ আর্ট রাইদ ২০২৫ কেম্পেনগী শরুক অমা ওইনা ঙসি জৱাহরলাল নেহরু ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (জেনিমস)কী

কেম্পসতা উ থাবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা জেনিমসকী দিরেক্তর প্রোফেসার লোংজম উসারানি, সেন্ত্রেল ফোরেষ্ট দিভিজনগী দি.এফ.ও- বিক্রম শুরেস নাধে অমসুং উত্তর প্রদেশকী পেসনেট ক্লাইমেট রাইদর তপাসি উপধ্যা শরুক য়াখি। হৌজিক চথরিবা রাইদ অসিদা রোয়েল মোটোরস মণিপুরগী মীওইশিং শরুক য়াদুনা ঐখোয়গী তুংগী মীরোলগীদমক ঐখোয়গী গৃহ অসিবু কনদুনা থম্বগী পান্দম থল্লি।

স্কাউটস (এল)ঃ মণিপুর ষ্টেট ভারত স্কাউটস এন্দ গাইদসনা শিন্দুনা নোংমগী ওইবা ওনলাইন য়ুথ মেনেজমেন্ট সিষ্টেমগী ৱার্কসোপ অমা এসোসিয়েসন অসিগী লাঙ্গোল গেম ভিলেজদা লৈবা ষ্টেট ত্রেনিং সেন্তরদা পাঙথোকখ্রে। ৱার্কসোপ অসিদা গভর্নমেন্ট, গভর্নমেন্ট এদেদ, প্রাইভেট স্কুলশিং অমসুং ওপন য়ুনিতশিংদগী লাকপা য়ুনিত লিদরস, স্কাউট মাষ্টর অমসুং গাইদ কেপ্তেনশিং শরুক য়াখি।

থৌবাল (এল)ঃ থৌবাল ফোরেষ্ট দিভিজনগী মীৎয়েং মখাদা রেঞ্জর ওফিসার ককচিংনা ৱাংঙু বিট ওফিসকা পুন্না শিন্দুনা উ চারা থাবগী থৌরম অমা ককচিং জিলাগী থোংঙাম মোন্দুম রিজার্ভ ফোরেষ্টকী মনুং চন্না লৈবা লৌরোং কোঞ্জিলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা রেঞ্জ ফোরেষ্ট ওফিসার ককচিং, ৱাংঙু লমখায় বিট ওফিসারনচিংবা শরুক য়াখি।

রেড ক্রোস (এল)ঃ ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি ককচিং দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চনা শিন্দুনা ব্রাঞ্চ অসিগী মখাদা লৈবা জ়নিয়র রেড ক্রোস অমদি য়ুথ রেড ক্রোস য়ুনিতশিংগী ইন্দক্সন প্রোগ্রাম অমা লাইব্রেরি এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্তর ককচিংদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা ব্লড দোনেসনগী এৱারনেস অমদি ফার্ষ্ট এইদকী ত্রেনিংনচিংবা পীখি।

উখ্রুল (এল)ঃ ভারত সরকারগা এন.এস.সি.এনগা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট সহি তৌনখিবা নুমিৎকী পালন থৌরম ঙসি উখ্রুল জিলাদা পাঙথোকখ্রে। ঐখোয়গী উখ্রুল পাউমী সোথিং সিমরেনা হায়- নাগা পিছ একোর্দ হায়নসু খঙনবা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট অসি ভারত সরকার অমদি এন.এস.সি.এন অনিনা হৌখিবা চহি ২০১৫ গী ওগস্ট ৩ দা নিউ দিল্লিদা সহি তৌনখিবনি। মদুদা ভারত সরকারগী ইন্তরলোক্যুটর আর.এন. রবি অমদি এন.এস.সি.এনগী আইসাক চিসি সিউ অমদি টি.ঐচ. মুইভা শরুক য়াখি।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা হৌজিক চত্থরিবা শান্তিগী ৱারী শান্নবগী থৌরাং অসি হেন্না থুজিন্নবা ঙসি উখ্রুল জিলাদা মীয়ামগী ওইবা খোঙচৎ অমা চৎখি। তুংদা উখ্রুল হেদক্বাটরগী গ্রাউন্দদা মীয়ামগী মীফম অমসু পাঙথোকখি।

থৌরম অসি নোনে জিলাগী লোংমাই পার্ট থ্রিদা লৈবা মল্টিপরপজ হোলদসু পাঙথোকখি। জয়লাদ জেলিয়াংরোং রিজন ওফ এন.এস.সি.এন্না শিন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা নাগা ত্রাইবকী তোঙান তোঙানবা সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনগী লুচিংবশিং, ভিলেজ ওথোরিতি লিদরশিংনচিংবা শরুক য়াখি।

নোং ঃ ইন্দিয়ান মেট বিভাগনা লৈবাক শিনবা থুংবদা নোং কন্না চুগনি হায়রি। বিভাগ অসিনা হায়- অরুনাচল প্রদেশ, অসাম, মেঘালয়, সিক্কিম অমসুং সব-হিমালায়ান ৱেষ্ট বেঙ্গলগী মফম কয়াদা নোং য়ামা কন্না চুগনি।

বিভাগ অসিনা হায়- অৱাং নোংপোক ভারতকী মফমশিং, বিহার, উত্তরাখন্দ, খা ভারতকী মফম খরা, অৱাং ভারতকী মফম কয়াদসু নোং কন্না চুগনি। কেরলাগী জিলা মরিদা ওরেঞ্জ এলার্ট লাউথোকখ্রে। জিলা ৬ তনা য়েল্লো এলার্ট লাউথোকখ্রে।

গুজরাতকী জিলা ৮ দা ওরেঞ্জ এলার্ট অমসুং জিলা ১৫ দা য়েল্লো এলার্ট লাউথোকখ্রে।

হিমাচল প্রদেশকী মফম কয়াদা নোং পাক্তকনা চুরে। বিলাসপুর জিলাগী ভরারিদা মিলি মিটর ১০৮ গী চাংদা নোং চুখি। চম্বা জিলাগী মফম কয়া লেন্দ স্লাইদ থোক্লে।

ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্তরগী পাউ মতুংইন্না হয়েং তমেংলোং, জিরিবাম, নোনে, চান্দেল, চুরাচান্দপুর অমসুং ফেরজোলগী মফম কয়াদা অখাক অরাউগা লোয়ননা নোং চুরবা য়াই।

ঙসিগী ওইনা তমেংলোং জিলাদা মিলি মিতর ০৪০.১ গী চাংদা নোং চুখি। সেনাপতি জিলাদা ০২৫ গী তাংদা নোং চুখি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ --

দুরান্দ কপ ঃ ১৩৪ শুবা ওইল ইন্দিয়া দুরান্দ কপকী ইম্ফাল লেগকী গ্রুপ-এফকী মেটচ অমদা হয়েং খুমন লম্পাক মেইন ষ্টেদিয়মদা তিদিম রোড এথলেটিক য়ুনিয়ন (ত্রাউ) এফ.সিগা রিএল কাশ্মীর এফ.সিগা নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা শান্নরগনি। গ্রুপ-এফতা হৌজিক ফাওবদা ইন্দিয়ান নেভি ফুটবোল টিমনা মেটচ অমদগী পোইন্ট ৩ ফংদুনা গ্রুপ অসিগী পোইন্ট টেবলগী মকোক্তা লৈরি। নেরোকা এফ.সি অমসুং ত্রাউ এফ.সিনা পোইন্ট অমমম ফংলি। রিএল কাশ্মীরগী ওইনা হৌজিক ফাওবদা পোইন্ট অমত্তা ফংবা ঙমদ্রি।

হয়েং গ্রুপ-বিগী মেটচ অমদা মোহন বগান সুপর জাইন্টকা বি.এস.এফ ফুটবোল টিমগা শান্নরগনি। কোলকাতাগী বিবেকানন্দ য়ুবা ভারতি ত্রিরঙ্গনদা শান্নগদবা মেটচ নুমিদাং পুং ৭ তাবা মতমদা হৌগনি।

ফুটবোল ঃ ওল মনিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা শিন্দুনা ইম্ফালগী লমলোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসিএল তর্ব গ্রাউন্দদা চত্থরিবা চহি ১৩ মখাগী অসমিতা সিটি ফুটবোল লিগ ২০২৫-২৬ ঙসিদগী হৌরে। ঙসি অহৌবা

নুমিৎতা মুফানা কে.এফ.সিবু পাঞ্জল ৮-২ দা থোইখি। আই.সি.এস.এনা ৱাই.দব্লিউ.সি.এলবু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখি।

ক্রিপসা অমসুং ৱাই.দব্লিউ.সি(টি.ঐচ) পেনালতি সুট আউটতা ৯-৯ চন্নদুনা দ্রো চৎখি। অদুমওইনমক লোটরি তৌবদা ৱাই.দব্লিউ.সিনা থোইখি। অতোপ্পা মেটচতা ই.এস.য়ুনা অম্মাবু পাঞ্জল ৩-১ দা, মুফানা আই.সি.এস.এবু পাঞ্জল ৩-০ দা, ৱাই.দব্লিউ.সি (টি.ঐচ)না ই.এস.য়ুবু পাঞ্জল ৬-১ দা অমসুং মুফানা ৱাই.দব্লিউ.সি(টি.ঐচ)পু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখি।

------